# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নীম পাম্বী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি লম্ফেলপাৎ




**নীম** হায়রিবা পাম্বী অসি মীওইবদা অসুক্কী মতিক কান্নরবা অমদি হীদাক ওইনা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা অচৌবা উ পাম্বী অমনি। নীম পাম্বী অসি সংস্কৃততা নীম্বা (Nimba), ইংলিসতা ইন্দিয়ন লিলাক (Indian Lilac), হিন্দি অমসুং বেঙ্গালিদা নীম (Neem), মলায়ালমদা আর্য়া (Arya), মরাথীদা নীম্বা (Nimba), পর্সিয়াদা আজদ (Ajad/Azad) নৎত্রগা দিরাখত (Dirakht), তেলেগুদা ভেপু (Vepu) নৎত্রগা ভেম্পু (Vempu), বর্মীজদা তামার (Tamar), শ্রীলঙ্কাদা কোহোম্বা (Kohomba), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *অজাদিরাক্তা ইন্দিকা (Azadirachta indica A. Juss)* হায়না কৌই অমসুং *মেলিয়েসী (Meliaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

নীম হায়বসি ময়ায় ওইরপ্পা চাওবা মশা-মরেং য়াম্না পুঙবা অমদি মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংই অমসুং চহী ২০০ ফাওবা পুন্সিবগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসিগী উগী মকু অসি মক্রক মক্রক লাওই।

নীম পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ অদুগা শ্রীলঙ্কা অমসুং বংলাদেশতসু মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। নীম পাম্বী অসি ত্রোপিকেলগী ওইবা অশাবা মফমশিং সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ১৫০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা হৌই। নীম পাম্বী অসি য়াম্না কুৎপা অমদি ঈশিং তুংবা মফমশিংদদি মপূং মরৈ ফানা হৌবা ঙমদে।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুং ইন্না নীম পাম্বীদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিংদি এজাদিরিক্তিন (Azadirachtin), নিম্বিশিদিন (Nimbicidin), ক্বের্সেতিন (Quercetin) অমসুং বিতা-সিতোসটেরোল (β-Sitosterol) অসিনচিংবনি।

নীম্না মীওইবদা পীবা কান্নবশিং অসি থোইদোক-হেন্দোক্না য়ামখ্রে। ঙসিদগী চহী ৪৫০০ গী মমাঙদা লৈরম্বা হারাপ্পা (Harappa) কলচরগী মতমদগী নীম পাম্বী অসি মীওইবগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নদুনা লাকপগী পাউদম লৈ। নীম পাম্বীগী অঙকপা অনা লায়েংগী মগুনশিং অসিদগী পাম্বী অসিবু 'ভিলেজ ফার্মাসি' হায়বদি খুঙ্গংগী হীদাক-লাংথক য়োনবা দুকান নৎত্রগা 'হীল ওল' হায়বদি অনাবা লোইনমক ফহনবা নৎত্রগা 'নেচরস দ্রগ ষ্টোর' হায়বদি মহৌশাগী হীদাক লাংথক য়োনবা দুকান নৎত্রগা 'পানাসিয়া ফোর ওল দিজিজেজ' হায়বদি লায়না খুদিংমক ফহনবা ঙম্বা হীদাক হায়না শীংথানৈ।

নীমগী মনা অসি মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংগী খ্বাইদগী ফবা হীদাক ওইনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। মীওইবগী ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং অসি নীমগী মনাদগী শেম্বা মহী অদুনা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী হায়বসি চাংয়েং কয়া পাঙথোক্তুনা উৎখ্রে। মীওইবগী ঈগী খোঙজেল য়াম্না ৱাংবা হায়বদি হায় ব্লদ প্রেসর অসি নীমগী মনা অসিনা ফজনা হন্থহনবা ঙম্মী। নীমগী মনাদগী লৌবা মচল অসিনা ভাইরসনা থোকহনবা অরুম-লাইহৌ অসি লায়েংনৈ। রিং-ৱর্ম হায়না খঙনরিবা লাইকোইগী লায়না অসি নীমদগী লৌবা মহী অসি চাং নাইনা তৈবদা ফহনবা ঙম্মী। বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুং ইন্না নীম মনাদগী লৌবা মহী অসি কাঙ মচা পোকহনবা ঙমহন্দে। নীমদগী লৌবা মহী অসি মীওইবগী উনশা অসি ফনা থম্বতা নত্তনা কুচু-কুমেন পানথোকহন্দুনা মায়থোং মকা লাম্না উহল্লি অমসুং উরিং-মায়হীংসু ফহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা কনাগুম্বা অঙাং অমা চিকন পোক্স (Chicken pox) না নারবদি নারিবা অঙাং অদু নীম মনা অকঙবনা শেম্বা মোম্পাক অমসুং মোন্দা তূমহন্দুনা লায়েংনৈ। মহারাষ্ট্রদদি মরাথীগী চহী হৌবা নুমিৎ অদুদা মীওইশিং অদুনা নীমগী মনা মচেৎ মচেৎ অমতং চারবদি চহী অদুমা হায়রিবা মীওই অদু অনা-অয়েক য়াওরোই হায়দুনা চান্নে।

নীমগী মনা অসি মখল মখা কয়াগী অকে অমৌ অমদি মায়তৈ হীদাকশিং শাবদা পাক-শন্না শীজিন্নে। কোক লুনবা সেম্পু, সাবুন অমসুং খূৎ-শা হাম্নবা মহী শাবদসু নীম পাম্বী অসি পাম্না শীজিন্নে। মহৈ মরোং অমসুং মনা-মশিংদা তাগনবা লায়না তীলনা কয়ামরুম নীমদগী শেম্বা মহী অদুনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। ঙসিদি কৈথেলদা নীমদগী শেম্বা তীলহাৎ হীদাক মখল কয়ামরুম য়োনবা থেংনরে। হায়রিবা তীলহাৎ হীদাকশিং অসি মীওইবদা অমাং অতা থোকহন্দবতা নত্তনা ঐখোয়গী অকোয়বগী ইনভাইরনমেন্টতসু অকায়বা পীদে। নীমগী উ অসি মহুৎ কুপ্না কনবা অমসুং লৈশৌ চাগনদবা মরম্না লাঙ্গোল, উপু-কাংথোল অমসুং থোঙ-থোঙনাও চনবদসু য়াম্না মতিক চায়। খা ভারত্তদি নীমগী মনা অসি এঞ্জাং থোংদুনসু চান্নে। ইন্দিয়াগী খুঙ্গংগী লমদম অয়াম্বদা নীমগী মশা (Branch) অদু য়াথিন পয়াগুম্না শীজিন্নে অমসুং য়া অদু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী হায়নৈ অদুগা কৈথেলদসু মপূন-মপূন পুন্দুনা য়োনবা থেংনবিগনি। নীমগী মনা অসি শা-ষণগী অফবা মচিঞ্জাক অমা ওইনা পীজনৈ। নীমগী মনা পুমথহন্দুনা য়াম্না ফবা হার শেম্নে।

নীম পাম্বী অসি অশাবা লমদমদা হৌজরবসু ঙসিদি মণিপুরদা নীম অসি মপূং ফানা হৌহনবা ঙম্মী। নীম থাদুনা লৌমিশিংনা শেন্দোং তানবা য়াগনি।

# সনামহী লাইনীংগী হোলি বুক - ২

— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

***লৈবাক*** মীয়ামগী অপাম্বা অমদি পাউতাক মতুং ইন্না এল এস টি বিনা অশিন অরাং ওইদুনা সনামহী লাইনীং অসিগী ৱাৎতুনা লৈরিবা হোলি বুক অমা পুথোক্লনবা থৌরাংগী মখা চত্থরকপা ওইনা ০৪/০৩/২০১২, নোংমাইজিং নুমিৎতা হোটেল ইম্ফালদা অখঙ অহৈ কয়া য়াওনা লৈবাক্কী থাক্তা মীফম ফমদুনা নাৎ-পু তানা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা হোলি বুক অসিদা য়াওগদবা/য়াওফম থোকপা মচলশিং (Contents) অমদি মদুবু ইখৎপদা ঙাক্না চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং শেম্বদা লৈবাক মীয়ামগী ৱাখল লৌশিং, অপাম্বা কয়া তাকপীরক্লবা পাউচেশিংগী খুত্থাংদা পাউ চেনখি। তাং ১৫/০৩/২০১২ ফাওবগী মনুংদা অইবা চে ওইনা পীখৎলক্লবা হায়জবদা থৱায় য়াওবা অখঙ-অহৈ কয়ানা মমল য়াম্লবা ৱাখল লৌশিং কয়া তেংবাংবীরকখি, অনিংবা অপাম্বা কয়া ফোঙদোকপীরকখি। মীয়াম্না তাকপীরকপশিং অদু য়াম্না কূপ্না খন্ন নৈনরবা মতুংদা হোলি বুক শেমগৎননবগী লৈবা অখঙ অহৈ লূপ্না লাইরিকসিদা তঙাইফদনা য়াওগদবা মচলশিং অমদি চৎন-কাঙলোন কয়ামরুম থবক হৌননবগীদমক্তা খনগৎখি।

অহানবদা, অশেংবা লাইনীং পুয়া/লাইরিক অসিদা তঙাইফদনা য়াওগদবা মচাক মচলশিং (Contents) অদুদি ঃ- ১) লৈশেম-নোংশেমলোন, মালেম শেম্লকপা থৱায় পানবা অমদি পান্দবশিং শেম্লকপা অমদি তাইবঙ মী শেম্লকপগী মরিক চুম্বা ৱারী ৱাখোঙশিং অমদি মালেমগী থাক্তা লৈবা সনামহী লাইনীং অসিগী ৱাখল্লোন অমদি মিৎয়েং, ২) পূম্নমকপু শেম্বীরকপা মপু মাগী মতিক ময়াই Concept of Absolute God (Supreme Being), ৩) লৈশেম-নোংশেমঙৈগী লাইশিংগী ৱারী-ৱাখোঙ, লাইচৎ-লাইয়াৎলোন (লাংওন-শাইওনশিং) মীংখৈরোনশিং, ইরাৎ থৌনীরোল, লাইশোন-তিনশোনশিং, ৪) য়াইবী থৱায় মাগী নোংগুম নোংগারোন, ৫) পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকপা থৌরমশিং (লাইথৌশিং) ইরাৎ-থৌনি, লাইশোন-তিনশোন, ৬) অৱাংবা থাক্কী লাইনীং লম্বী লাইনীং পরৈ লাইনীং খুদা তাকপা - Theology, Religious Tenets/Teachings, ৭) লাইনীং লাইশোন (Prayer & Worship) :

- নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্কদবা লাইশোন-তিনশোন, ইরাৎ-থৌনি
- কুম অমগী থা ১২ দা পাঙথোক্কদবা লাইথৌ কুম্মৈশিং - মদুগী ইরাৎ - থৌনি অমদি লাইশোন-তিনশোনশিং,

৮) সনামহী লাইনীংলোই অমনা ঙাক্না চৎকদবা লাইনীং লিচৎ, লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন অমদি অৱাংবা থাক্কী ফিদম (লাইনীংহল মকোকশিংদগী অমদি মাইচৌশিংগী পাউতাক্তগী - Moral & Spiritual Value Systems, Ethics & Ethical Codes & Teachings), ৯) হিরি কোনবা অমদি লাইনীংগী অহকপা শাজেল কাংলোন, ১০) সনামহী লাইনীংগী অহকপশিং (Master Secrets of Sanamahi Religion) অমদি চিংউরোন (Metaphysics), ১১) সনামহী লাইনীংগী মরু ওইবা লাইশোনশিং - অপোকলোন, মাইবরোন, ইরু লাইশোন, অতাই-লাইশোন, ঈশিং কোনথারোন, অনম-অথৌ কোকপা, য়ুমদাই-নাকশেং, সনামহীগী অহোংলোন অমদি মীংখৈরোনশিং, ১২) লাইনীং অসিগী মরু ওইবা লাইফমলেন/অশেংবা মফমশিং (Sacred Places/Holy Places) খুরুম্বগী মতম অমদি খুরুম্বগী মওং মতৌ, ১৩) হায়হৈদবা, তৌহৈদবা, নামুংবা ৱা অমদি থবকশিং (Taboos/Forbidden Acts), ১৪) ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বগী ঈরাৎ- থৌনিরোল (Ancestral Worship), ১৫) চয়োল অমগী নুমিৎ ৭ অমদি চহী অমগী থা ১২ গী মমিং থোনলকপগী ৱারী-ৱাখোঙ, থাপালোন (Astrology), ১৬) লম্মীৎলোন, মাইবরোন, শাজেল কাঙলোন, লৈঙাকলোন, শেনমিৎলোন, য়ূম্বাল্লোন, য়ূমশারোন, লাইখুন্দারোল, লাইচৎ-লাইহুৎ, শিনশুরোন, ৱাংউরোন অসিনচিংবা।

হায়রিবা মচাক মচলশিং (Contents) অসি ইখৎননবা, শেমগৎননবা হোৎনবদা নীংশিংহৌগদবা অমদি চেকশিলহৌগদবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমদি তাঙ্কক তাঙ্কক খুদিংদা ইখৎকদৌরিবা মচাক-মচলশিং অসি মালেমগী থাক্তা কাখৎপা ঙম্নবগী মতিক-ময়াই অদু চপ-চানা চেনগদবনি হায়বদি লাইরিক অসিনা থৱায় পানবা পান্দবা, অচৎ-চৎত অমদি মপুগী খূৎশেম পূম্নমকপু লোইনা নুংশিনা কোনশিনবা ঙমগদবনি। হায়রিবা ফীভমশিং অসি তাননবা হোৎনবদা ঐখোয়না ইনগদবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুদি ঃ-

১) অশেংবা লাইনীং পুয়া অসিগী মমিং থোনবা মতমদা মীয়াম পূম্বনা য়ানগদবা অমদি লাইরিক মনুংদা য়াওগদৌরিবা ৱারোন পূম্নমকপু শুপচিন্দুনা তাকপা ঙম্বা মমিং ওইহনগদবনি। ২) লাইরিক অসিদা য়াওগদৌরিবা মচলশিংসি লৌখৎপা মতমদা মীয়াম্না পূন্না য়ানগদবা য়াম্না Authentic ওইবা পুয়া/লাইরিকশিংদা য়ূম্ফম ওইগদবনি। ৩) য়ূম্ফম ওইগদৌরিবা পুয়াশিং অসিদগী মচলশিং লৌখৎপা মতমদা অতোপ্পা লাইনীংগী মমিং তারম্বা, লোন য়ানশিল্লম্বনচিংবা কয়াদু ফিজুম থাদুনা লৌখৎকনি। ৪) খনগৎকদৌরিবা মচাক-মচলশিং অদু তোঙান তোঙানবা পুয়াশিংদা খজিক-খজিক খেন্নবা মওংদা য়াওরম্লবসু মদু কুপ্না নৈনরগা কমন ওইবা পোইন্ট অদুতা লৌখৎকদবনি। ৫) হোলি বুক অসিদা চন্নরোইদবা মরী লৈনদবা ৱারোলশিং অদু য়ূম্ফম ওইগদৌরিবা পুয়াশিং অদুদা য়াওরম্লবসু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌথোক্কনি। ৬) পুয়া লাইরিক অসিনা মৈতৈ ঐখোয়গী মপূং ফাবা শক্তম, পুৱারী, নাৎ, চৎনবী পূম্বা তাকপা ঙম্বা ওইগদবনি। ৭) লাইরিক অসিনা মৈতৈ অমদি মীতৈগী মরক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলুপ্তা নত্তনা লমদমসিগী য়েলহৌমী পূম্নমকপুসু কোনশিনবা ঙম্বা হায়বদু ওইগদবনি অসিনচিংবা।

মতৌ অসুম্না তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা নিংথিনা লেংশিনবা, হেন্না মশক-মচু থোক্লবা, মতিক-ময়াই হাপ্লবা হোলি বুক অমা ওইহল্লবদি ঐখোয় পূম্নমকপু লমজিং-লমতাকপীবা ঙম্বা, পূক্নিং-ৱাখলগী অমম্বশিং কোকহনবা ঙম্বা লাইৱাশিংতনা পীক থল্লবা লাইরিক অমা শোয়দনা ওইগনি।

## মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা
: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### শকথীবা বর

কুশপতি ওর্ককা মচা মশু পোক্লমদে
নিংথৌ খুভম শিন্নবা কনা'মক্তা লৈরমদে।
পূজা-লাংজা তৌদুনা য়েংব হৌন' য়েংখরে;
নোংমা মহারানীবু কৌরদুনা হায়খরে,
"উপাই লৈত্রে ইবেম্মা লম্বীদবু লেপ্পুরো;
অচৎ-অথোক ময়ামদ'ই অঙাং অমা নিরুরো।"
মহারানী য়াদুনা লম্বীদবু লেপখিদো।
সাকা লাইনা খল্লকই, "ওন্থোকপবু ওইরেদো;
সতী শিলাবতীনা 'সুম্না অঙাং ফংবদি।"
'দুনা সাকা লাক্লেদো ব্রাহ্মণ অহল শানদি।
লাইগী শক্তি শীজিন্ন' পুরে মাবু স্বর্গদা;
ফিজেৎ লৈতেংবীরগা পীরে বড় মঙোন্দা;
"নচা মশক অথীবা শিংবদদি লময়ৌবা,
'মনা মশক ফজবা লৌশিংদদি য়ৌদবা,
অনীবুদি ফংজরো;" তাকপিরক্লে সাকানা।
মতম চানা মচাবু মথং মথং পোকখরে;
অঙাং অহল শকথীবা মমীং কুশ থোনখরে।
কুশ কৌবা অঙাংদি বোধিসত্ব' লাংওনবা,
মায়াদু তাউজদে ওইজনিংখি লম্বোইবা।
মমা মপা অনীনা নুপী হায়ন' থৌরাঙখি;
অকোনবদা কুশনা মুর্ত্তি অমা উৎলকখি।
মুর্ত্তিদুগা মান্নবা কন্যা থিবা ফংদরে।
মদ্দ কৌবা লৈবাক্তা ময়াম অদু চৎখরে।
মদ্দ নিংথৌ' মচাদি নুপী নিপাল লৈরম্মী।
অহন্দুগী মমিংদি প্রভাবতী কৌরম্মী।
ফজবদা মশক্তু হেল্লোয়দগী হেনবীনি;
ঙৌরোক ঙৌবী কুচুনি তোঙ্গানবী শাবান্নি।
লম্বী নাকচি অমদা লৈরম্বদি মুর্ত্তিনা
প্রভাবতি শোয়দরে খনখরেদো মীনাইনা,
"সিদা নিংথৌ মচানা লেপ্লিবদি করিগী?"
খিত্তং থাবা খুপাক্না কেল্লে মচেৎ মুর্ত্তিগী।
কন্যা থিবা লাকপশিং শাখ্রে ৱারী নিংথৌগা;
লাক্লে মল্ল'ই কাঙবুসু ৱারোইপোৎপু পুরগা।
শিলাবতী লৌশিংবী খনখি ৱাখল অমবু,
প্রভাবতী কন্যানা উবা থোক্ল' কুশবু,
ৱা-লৈতে লৈবগী থুনা ময়ূম' চেনখিনি।"
মরমসীনা হায়খিদো, - "মসী ঐখোয়' নীয়ম্নি-
কনাগুম্বা নুপীনা অয়ূক নুংথিল মতমদা,
নুপা য়েংবা য়ারোইদো য়ানি য়েংবা অহিংদা;
গর্ভাবতী ওইদ্রি-ফাও' নীয়ম অসী ঙাক্কনি;
মদু'ই মতুংদগীদি উননীংবা য়াগনি।
প্রভাবতী য়াখরে চৎপা তারে মীরমদা;
মনাই-মশন লোয়ননা লাক্লে কন্যা মল্লদা।
মল্ল লৈবাক য়ৌরগা কুশ নিংথৌ হাপখরে
প্রভাবতী শকহেনবী মহারানী ওইখরে।
অহিংদতা মউন্নে অয়ূক নুংথিল উনদে;
মমাগীদি য়াথংনি লম্ফে কৌবা চৎনদে।
মমাদবু হায়জর' শামু শেনবা অমুক শা,
রানী মশক য়েংখরে শম্থী শেংবা অমুকশা।
প্রভাবতী ইবেম্মা য়েংনীংখরে নিংথৌবু;
মনেম্বোক্না মদুগী শীনখ্রে পোরম লোইনবু।
শামু শয়াংথক্তবু মনাউ নুপা তোংহনবা;
মশক ফজ' মনাউবু নিংথৌদুনি হায়জীনবা,
কূমথবদা খঙখরে অথীবদু নিংথৌনি।
'সুম্না হৌজ অনীরক খঙলবদা প্রভাদো,
শাউখিবনা মৈহৌনা থাদোক্লম্লে কোনুংদো।
কায়ন-মৈচাক খাঙঙমদ কুশ-নিংথৌ চৎখরে,
মদ্দ নিংথৌ লৈবাক্তা শক্লোৎ ওইনা লৈরুরে।
প্রভাবতী য়ানবা শীনখ্রে থৌরাং কয়াবু;
নিংথৌ' ফুশাবদবু চঙজৈ 'খরা তমগে'বু।
থুম্মোক শাবা, পুজারী মথং মথং ওইরক্লে;
লাইনা থাবা নুপানি নিংথৌ খনবা ঙমখরে।
পূজারীবু ওইদুনা লৈরে কুশ কোনুংদা;
প্রভাবতী' মীনুংশি ফংবা ঙমদে মঙোন্দা।
শকপু ফজৈ নাপল-কা থোয়না-ৱাংনা লৈবনি;
সাকা কৌবা লাইনবু মতৌ অসী উবনি।
সাকা লাইনা পাউমীশা চেনখ্রে পাউবু অসুম্না,
"প্রভাবতী হল্লক্লে কুশ খাইনরদুনা;
পামজর'দী নিংথৌশিং লৌবা য়ানি মহাকপু।"
নিংথৌশিংনা লান্দাখি মদ্দগীদি লৈবাকপু।
মদ্দ নিংথৌ মফমদা, "নচা পীয়ু নৎত্রগা
লানবু তৌসী" হায়ররে, "নঙনা লানবু পান্নগা।"
মদ্দ নিংথৌ শাউখরে, "মসী পূম্বা অসীবু,
থোকহনবনি প্রভানা, হাত্তোক্লগা মহাকপু,
মতূপ তরেৎ কক্লগা য়েন্নি নিংথৌ তরেত্তা।"
"য়েক্ল' লাকশিন' ঙম্লবা নোংশাগুম্বা পাঙ্গন্দা
কুশপতি লৈরিদো করিগীবু ৱাদৌবা।"
মমা মপা অনীদা ফোঙদোকখরে অরোনবা।
চঙজরক্লে কুশদা 'ফজৈ' নাপল কারম্বী;
শিগদৌর' মতমদা থোৎলে থোইচৎনরম্বী।
কুশ'ই মগুণ থাগৎনা মখোঙ পায়না হায়জরে;
কুশপতি পুকফবা হায়বদু য়াবীরে।
মকোই-মরাং কোকথোক্লে ফিজেৎ-লৈতেং হোংদোক্লে;
নিংথৌ অমা ওইবগী মগুণ অদু উৎলক্লে।
নোংশা-খোঞ্জেল-খোম্থোক্লি খোংনা-ঙংনা লাউখিবা
'ঐনি' কুশ নিংথৌদি তৌগে ঙমদ' লৈত্রবা!
চঙজররো ঐঙোন্দা নৎত্রে নথৱায় লৌগনি।
লালহৌরকপা নিংথৌশিং লোইনা চঙজরকপনি।
কুশপতী-লৌশিংবা মদ্দ নিংথৌ তানরে
য়েক্লুরুব'ই মহুত্তা চান্নরসি খন্নরে।
মচা নুপী তরেৎপু নিংথৌ খুদীং থাজখি
অওং-অউন তমদুনা চাউনা লুহোঙবিরকখি।